ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

## রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা মোরে পুলিস ষ্টেসন্দগী হৌদুনা মোরেগী অকোয়বা মফমশিংদা কোভিদ-১৯দগী চেকশিনসি, সোসল দিষ্টেন্স থমসি, খূৎ-শা তোয়না হামসি হায়বগী পান্দমদা চেকশিনমিন্নবগী পাউ জেলগা লোয়ননা রেল্লি চৎখ্রে।

রেল্লি অসিগী মাঙওইননা মোরে পুলিস আই বিদা লৈবা কাঙলূপ কয়াগী কম্ম্যুনিতি লুচিংবশিং য়াওবা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা মীফম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

ঙসি চৎখিবা খোঙচৎ অদু তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি টি ঐচ বিক্রমজিৎনা লুচিংদুনা চৎখিবনি। রেল্লি মনুংদা দুকান ফম্লিবশিং, লম্বী চৎলিবশিং অমদি পোৎ চৈ লৈরিবশিংনা ফেস মাস্ক উপ্পীনবা পাউজেলসু পীখি হায়রি।

## নুপীগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ঐখোয়গী হয়েংগীদমক অপূনবা থৌদাং লৌজনবা অনীশুবা নুপী লাল ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২বু নুপীগী নুমিৎ হায়না মীংথোন্দুনা লৈমকোন অমসুং এম এল এস এসনা অচানবীগৈদা লৈবা লৈমকোন ৰিমেন্স এবোর্দতা এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকখ্রে হায়না লৈমরোল লমজিংকোনগী সেক্রেটরি এ সী ঙান্থোইবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদু অচানবীগৈদা লৈবা পোইরৈ নৰাকোনগী অঙাংশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈমকোনগী প্রসিদেন্ট এম সী রিতা অমসুং এম এল এস এসকী সেক্রেটরি এম সী ইনাওচানা থৌরম অদুগী ময়ায় তাংবল লৌখি।

## কেস মশীং...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মশীং ৩২২ শুরে। অনৌবা কেসশিং অসি জেনিমসতা ৫৪, রিমসতা ৪৬, ইম্ফাল ইষ্টতা ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১৩, স্বিসতা ২, সী এম সীদা ২, হিলসাইদতা ২, সমারিতনদা ১, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৬, শিজ হোস্পিটালদা ৯, এদভান্স হোস্পিটালদা ১, জীবন হোস্পিটালদা ১, থৌবালদা ১, বিষ্ণুপুরদা ৭, সেনাপতিদা ৩, চুড়াচান্দপুরদা ১৩, তমেংলোংদা ৩, উখ্রুলদা ৩, কামজোংদা ২, কাংপোকপীদা ২ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৫ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৭০, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৪০, থৌবালদগী ১০, বিষ্ণুপুরদগী ১২, ককচিংদগী ১, তমেংলোংদগী ৩, উখ্রুলদগী ৩, চান্দেলদগী ২, কাংপোকপীদগী ২, সেনাপতিদগী ৩, চুড়াচান্দপুরদগী ৫ অমসুং কামজোংদগী ২ য়াওরি। পোজিটিভ ওইরবা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেল চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। লোয়ননা মীওই ১১৬সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.283222 |
| US Dollar | 73.719957 |
| British Pound | 97.510342 |
| Australian Dollar | 55.537757 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.261058 |
| Japanese Yen | 0.708765 |
| Malaysian Ringgit | 18.196517 |
| Singapore Dollar | 55.147114 |
| South Korean Won | 0.067544 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.658655 |
| Thai Baht | 2.450497 |
| Myanmar Kyat | 0.05533 |
| Bangladesh Taka | 0.86944 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 49264.00 |
| Mumbai | – | Rs | 49200.00 |
| Delhi | – | Rs | 49172.00 |
| Kolkata | – | Rs | 49505.00 |

GAS NEWS

**KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR**
**Booking up to : 05/12/2020**
Valid from: 21/11/2020.
Please contact mobile no. 7085412234
Time: 7:30am to 10:30 am.

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk.upto : 02-11-20 (sl.no upto 19788)**
Mobile no 9366471778, 8837349474

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto :13-10-20**
Only home delivery ( within 3 days )
Contact no. 7005771527
Office no. 9774068549
Whatsapp no. 8794973019
Time : 7.30am to 11.am

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO : 05/11/20**
VALID FROM 29/10/20
19kg & 5kg UJJWALA AVAILABLE
TIMING : 08.00 to 10.00am

# থৌবালদসু ৮১শুবা নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): লমদম অসিগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগদবা নুপী লালগী ৮১শুবা নীংশিং নুমিৎ থৌরম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাক শন্না পাঙথোক্লুখ্রে।

থৌবাল নিঙোল্বম অপূনবা নুপী লূপনা এন আই ৰাই সী, এন ৰাই পি সী অমদি এস দি সী নিংঙোল্বম থৌবালগা খূৎশম্নদুনা নিংঙোল্বম সনা কৈথেলদা নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা মতম অদুগী নুপী লালদা থৱায়না পোল্থা পীখ্রবা ইমাশিংগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা থৌবাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওক্রম চাওবা, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ১০গী কাউন্সিল্লর হিজম জমুনা, টি এম সী ৱার্দ নম্বর ১১গী ৱার্দ মেম্বর এন সোমোরজিৎ এলিয়জ সঞ্জিৎনা অথোইবা মীথুংশিং ওইখি।

নিংঙোল্বম অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরি ইরোম ওংবী সুবাসিনি এলিয়জ লৈশেম্বী লৈমনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীদুনা অহানবা অমসুং অনীশুবা নুপী লালদা মতমদুগী ইমাশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদুবু থাগৎলদুনা ঙসিগী ওইরক্লিবা নুপীশিংদা নমজা নমথেক্লবা অমদি খুন্নাই অসিনা মনিং হল্লক্লিবা অসিদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা মরিশুবা নুপী লাল অমা মথৌ তারে হায়খি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মহৌশাগুম্না পাঙথোকখিদ্রবসু লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মতমদুগী নুপী লালদা থৱায় কৎখ্রবা ইমাশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি অমদি নুপী লাল নীংশিং লমজেল অমসু থৌবাল নিংঙোল্বম অমদি তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা ইমাশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। নুপীলাল নীংশিং লমজেল অদুদা নিংঙোল্বম ওংবী কেটেনা অহানবা, ওক্রম ওংবী মায়ঙৌনা অনীশুবা অমসুং অসেম ওংবী সুমিলানা অহুমশুবা তাখি।

অমরোমদা নিংঙোল ক্লব হৈরোক্ন সুশীন্দুনা ৮১শুবা নুপী লাল নীংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি হৈরোক পার্ট থ্রীদা লৈবা ক্লব অসিগী টেম্পররি ওফিসতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা কাদা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, নিংঙোল ক্লব হৈরোক্কী প্রসিদেন্ট সোফিয়া খুন্দোংবম অমদি নিংঙোল ক্লব হৈরোক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম প্রোমিলানা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা সোসল সাইন্টিষ্ট, ডা. ধনবির লাইশ্রমনা রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াদুনা নুপী লালগী মরমদা ৱা ঙাঙখি।

# নুপী য়াওদনা খুন্নাই অমা শেম্বা ঙমদে : মিরাবাই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): খুন্নাই অমা চাওখৎপদা কৎথোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। নুপী য়াওদনা খুন্নাই অমা শেম্বা ঙমদে। নুপা নুপী থোং মান্ননা চৎমিন্নবা চঙই হায়না ঙসি ওল মণিপুর নুপী মরুপনা শীন্দুনা জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা ৮১শুবা নুপী লাল নীংশিং থৌরমদা এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদু ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট এম সখি, লূপ অসিগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট এম সোরোজিনি, ৱার্কিং ৱিমেন্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বেদমনি, ইম্ফাল ইষ্টকী উপ অধক্ষ কুমারি ক্ষেত্রি তামা, ওল মণিপুর নুপী মরুপকী পেট্রোন মেম্বর ৱাই ইবেনি, লূপ অসিগী পেট্রোন মেম্বর এম কদম্বিনিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। অদুগা এম এল এ, এ কে মিরাবাই অমদি এম এল এ নেমচা কিপগেননা অখন্নবা গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এ কে মিরাবাইনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয় ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা পূন্না খোঙফম অমদা লেপমিন্নবা চঙই। মালেমগী শক্নাইরবা নেপোলিয়ন বোনাপার্দনা হায়রম্বা অদু ঐখোয়না মুন্না খঙদ্রে। মতিক চাবী মমা অমা পীয়ু মালেম খুদুম চনগে হায়বা ৱাফম অদুগী ৱাহন্থোক্তি নুপী য়াওদনা খুন্নাই অমা শেম্বা ঙমদে। হীরম খুদিংমক্তা নুপী য়াওদবা য়াদে হায়বনি। মসিগী ৱাহন্থোক অসি ঙসি ফাওবা কনা অমত্তনা অয়েৎপা পীবা ঙমদনা লৈরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা কাঙলূপ ফুরুপকী খেন্নবা থাদোকসি। মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ ফুরুপ কয়ানা পুনশিল্লগা শেম্বনি। থবক তৌবা মতমদা মাগী-ঐগী হায়বা খায়গুমসি। নৎত্রবদি ঐখোয় নোংমা নোংমগী হুমদুনা চৎখিবদগী নুপী কয়া মিৎতগী মপি তারিবা অসি থিংবা ঙল্লোই। মসি নুপানসু থিংবা ঙল্লোই। মরমদি নুপা নুপী অনী অসি থোং মান্ননা চৎমিন্নদ্রিবা ফাওবা ঐখোয় মীখা পোন্না লৈখিগনি। ঐখোয় মীপান তাংবগী হৈনবী অসি থাদোক্ত্রিবমখে কৈদৌঙৈদসু মীনা শিংথাবীরোই। খোঙফম চেৎনা থম্বা অমা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অহল ওইরবী ইমাশিংদা নোংমৈবুংদা লৈবী মোইরাংথেম বেনি লৈমনা ব্লাঙ্কেট অমমম খুদোল তমখি।

# ৩৬শুবা ওল মণিপুর মেদিকেল কনফরেন্স হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়সন (আই এম এ), মণিপুরগী ৩৬শুবা ওল মণিপুর মেদিকেল কনফরেন্স (এ এম এ এম ঈ সী ও এন) ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা আই এম এ ওদিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে হায়না আই এম এগী মণিপুর ষ্টেট প্রসিদেন্ট ডা. শ্যামশুন্দর লাইশ্রম অমসুং ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. এন জি অরুনকুমার অনীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা ওফলাইন অমসুং ওনলাইন অনীমক্তা পূন্না পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুগী সাইন্টিফিক প্রজেক্টসনশিং অদু ওনলাইন প্লেটফোর্মশিং ওইরিবা জুম, ফেসবুক লাইব অমদি য়ুট্যুবনচিংবদসু শন্দোকখি।

কনফরেন্স অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ববিনা গ্রুপ ওফ কম্পেনিজগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ধবলিনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং আই এম এগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ডা. শ্যামকুমার লাইশ্রমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। আই এম এগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ডা. এন জি অরুনকুমার অমদি আই এম এগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস জুগিন্দ্রসু থৌরমদুদা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ডা. টি য়ুমজাওবাবু, ডা. এল টন্দোন, ডা. এন জি টেন্দ্রা, ডা. এল. কামেশ্বর অমদি ডা. পি ব্রজমনিনচিংবা দোক্টর মঙাবু ইকাই খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা ডা. অশাংবম ভিভেকানন্দা অমদি ডা. লোইতোংবম নেলসনদা আই এম এ প্রসিদেন্ট এপ্রিসিয়সন এৱার্দ ফোর দিষ্টিঙ্গুইজ সর্ভিস লান্থোকখি।

হন্দক চহীগী ওইনা 'লিভিং ৱিথ কোভিদ-১৯' হায়বা থিমদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চৎথগদবা কনফরেন্স অসিদা তোঙান তোঙানবা দোক্টর কয়ানা সাইন্টিফিক পেপরশিং পাথোকপগা লোয়ননা পোষ্টরশিংসু লান্থোক্কনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প ...

*লামায় ১গী মখা...* রিমস ব্লদ বেঙ্ককা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা নহা কয়ানা শরুক য়াদুনা ঈ কৎখি।

ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগী ব্লদ বেঙ্ক ওফিসর ডা. প্রতিমা কে ঐচ, শিংজমৈ য়ুথ ব্লদ দোনরসকী কনভিনর ককচিংতাবম সোমোকান্তা শর্ম্মা, লাইফ সেভর্স মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমার শর্ম্মা, এস এ ভি আই মণিপুরগী ট্রেজরর পেবম ধনঞ্জয় অমসুং ভলন্টর ব্লদ দোনর কয়ারক হন্না ওইখ্রবা খুন্দ্রাকপম প্রেমজিৎসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবী ইমাশিংগী ফোটোদসু হৈকৎ-লৈকৎ তম্লগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্লুনা ইমাশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। শিংজমৈ য়ুথ ব্লদ দোনরসকী কনভিনর কে সোমোকান্তনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লাইচৎ মরক্তা ঈ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবনি। লায়না অসিনা লায়েংশঙশিংদা মীয়াম্না চঙবা কিনরবা মতম অসিদা ঈগী মথৌ তাবা অনাবশিংগীদমক মতেং পাংবগী ৱাখল্লোন্দা ঈ কৎপা লাকখিবা ভলন্টরি ব্লদ দোনর খূদিংমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা এসোসিএসন, ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংদগী মীহুৎ কয়া শরুক য়াবীবগীদমক লাইফ সেভর্স মণিপুরনা থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবসু উৎচরি হায়না লাইফ সেভর্স মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমার শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী মতিক চাবা...

*লামায় ১গী মখা...*একাদেমি অসি ফুল টাইম সেক্রেটরি অমা য়াওদনা মতম কুইনা তূমদুনা লৈরুরবা তুংদা নৌনা থৱায় হাপ্পবা মণিপুর লৈঙাক্না হোৎনরক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না চুম্না অমনি হায়নসু লূপ অসিনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

অদুবু, নৌনা শেল্লবা রিক্রুটমেন্ট রুল অসিগী মতুংইন্না একাদেমি অসিগী সেক্রেটরিগী চহী অসি ৫৫দগী ৬৩ ফাওবগী মনুংদা ওইগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, সঙ্গিৎ নাটক একাদেমিগী সেক্রেটরিগী এজ লিমিটনা চহী ৪৫দগী ৫০ ফাওবনি। লোয়ননা গবর্ণমেন্ট সর্ভিসতগী পোথাবগী চহীনা ৬০নি হায়রি।

মরম অসিনা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমিগী সেক্রেটরিগী ইসেন্সিএল ক্বালিফিকেসন, পোষ্ট গ্রেজুয়েট ওইবগী মথক্তা মহাক পার্ফোর্মর নৎত্রগা রাইটর নৎত্রগা এদিটরগী পাক চাঙবা নোলেজ লৈবগী মথক্তা এদমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সপরিএন্স চহী ১০দগী তাদনা লৈগদবনি হায়রি।

গভর্ণরদা পীশিনখিবা চে অদুদা খূৎয়েক পীখিবশিংনা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, রাইটরস ফোরম ইম্ফাল, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সম্মিটি, মণিপুর লিটরেরি সোসাইটি, মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, রুপ মহল থিএটর, সোসাইটি থিএটর, মণিপুর জগোয় মরুপ, প্রোগ্রেসিব আর্টিষ্ট লেবোরেটরি অমসুং নিমিতা দেবী নৃত্য আশ্রমনি হায়রি।

লোয়ননা ফোরম অসিনা মখা তানা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরগী লম্দা শোথরিবা কয়া অসিদসু মতম মতমগী ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা মণিপুর লৈঙাক্তা হায়জগনি হায়রি।

# অহল ওইরবী নুপী আর্টিষ্টশিং ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ককচিং, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর আর্টস এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এম এ সী এস য়ু) না আর্টস এন্দ কলচর তৌরিবা অহল ওইরবী ইমাশিংদা মানা পীদুনা '১২ শুবা ইমাশিংগীদমক' থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কে এস ঐচ রাধামণি, কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ৯ ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অথোইবা মীথুং, এন জি সুনিল, প্রসিদেন্ট এ এম এ সী এস য়ুনা থৌরম মপু অমসুং ডা. নোংমাইথেম প্রামোদিনি, প্রসিদেন্ট, মচা চনু, ককচিংনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ওল মণিপুর আর্টস এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এম এ সী এস য়ু) না নুপীলাল অদুবু নীংশিংদুনা লিশাং শিংনা চথুরকপা 'ইমাশিংগীদমক' হায়না মিংথোনবা আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা থৌদাং পাংদুনা লাক্লিবা ইমাশিংবু ঈকায়খুম্নবা উৎপগী শরুক অমা ওইনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা লীলা, দ্রামা, ঈশৈ, সংস্কৃট, মায়বী, খুনুং ঈশৈ শকপী অহল ওইরবী ইমা ১০ খনগত্তুনা শক খঙচে অমসুং ইনাফি অমমম খুদোল তমদুনা পুক্লিং থৌগৎখি হায়রি।

# জন জাগরণ অভিয়ান অমদি সম্পর্ক অভিয়ান কার্য্যক্রমগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস) : জন জাগরণ অভিয়ান অমদি সম্পর্ক অভিয়ান কার্য্যক্রমবু হেন্না মপূং ফাহন্নবা ভাজপা কিষান মোর্চানা থা অসিগী ১১দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা থৌরমশিংগা মরী লৈননা ঙসি নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা নিঙোল্বম মখা লৈকায় কম্ম্যুনিতি হোলদা লৌমী মীয়ামগী ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দিনেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা মিলালগী এদভাইজর তোম্বা মঙাং, মুতুম দিনেশ্বর ভি পি বি জে পি কিষান মোর্চা, মণিপুর প্রদেশ, ইন-চার্জ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এন্দ ইম্ফাল সেন্ত্রেল বি জে পি কিষান মোর্চা অমসুং গুরুময়ূম বিনোই শর্ম্মা, এক্স প্রসিদেন্ট বি জে পি, ২১-নাওরিয়া মন্দল অহুম্না মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা ফার্ম বিল অহুমগী মতাংদা শুগায়না ঙাঙখি। থৌরম অদুদা হৱাই মঙ্গল অমদি হৱাই মুসোরি লোয়ননা মরূ-মরাংশিং লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি। বি জে পিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমদি পাক চাউথোক্লবা খন্নবগা লোয়ননা বি জে পিদা মীং চন্ননবগী মতাংদসু চীফ গেষ্টনা ৱারোল পীখি। মীফম অদুদা ৱাই সুরেস, আই টি সেল সেক্রেটরি বি জে পি কিষান মোর্চা, মণিপুর প্রদেশ অমদি ৱাই কিরন সেক্রেটরি বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## কথোকপা ঙন্বগী থৌনা মতম পুন্বদা...

*লামায় ১গী মখা...* লৌরম্বা থৌদাংশিংবু ঙসিগী মীরোলনা কাউফম থোক্তে। কুমজা ১৯০৪ অমসুং কুমজা ১৯৩৯দা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুবু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্লিকবনি। লৈখিদ্রবী থৌনা ফরবী ইমাশিং অদুনা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদুগুম্না খুন্নাইসিগী য়াইফনবগীদমক থৌদাং লৌরক্নবা নুপী ওইবী খুদিংমক্তা কথোকপা ঙন্বগী থৌনা মতম পুন্বদা চেনবা ওইরসনু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অগরতালাদসু ৮১শুবা নুপীলাল নীংশিং নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা অথৌবীশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে।

মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরানা শীন্দুনা অগরতালাগী তরৌ মৈতৈ খুনদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৮১শুবা নুপীলাল নীংশিং থৌরম অদুদা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট নিঙোল্বম বিরা, এন আই টি অগরতালাগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. অনুরাধা নোংমাইথেম, শক্নাইরবা অইবা ৱাংখেম বিরমঙ্গোল অমসুং তখেল লৈমা তেংবাং লূপকী প্রসিদেন্ট এন রাধিকানা মথংশিংনা থৌরম মপু, অথোইবা মীথুং, অখন্নবা মীথুং অমসুং ঈকায় খুম্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ফোরম সেক্রেটরি খোইস্নাম মঙ্গলনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরদুনা তুংদা থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা মীয়াম্না থৌনা ফরবী অথৌবীশিংগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি অমদি মিনিট অমা তুমীন্না লেপ্লুনা নুপীলালদা শরুক য়াখিবা ইমাশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

৮১শুবা নুপীলাল নীংশিং নুমীৎকা মরী লৈননা খোইস্নাম বিরোলানা এদিটর ওইরগা তখেল্লে নাচোম হায়না মিংথোনবা সোভেনার অমসু ফোঙখি। খুন্নাইগী থবক থৌরমদা মাঙজিল থানা শরুক য়ারিবী শক্নাইরবী অহল ওইরবী নুপী ১০দসু ফোরমনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

# বি জে পিগী এম পি অমনা মৈতৈশিংবু থিনা থিনা চৈরিবা অসি লেপ্পীরো : জয়কিষন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা অৱাবা কয়া মায়োক্ন রিঙৈ চৈরক অসিদা বি জে পিগী এম পি অমনা মীদিয়াদা লমদম অসিগী মেজর কম্ম্যুনিটি মৈতৈশিংবু থিনা থিনা চৈরিবা অসি লেপ্পীরো হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুং চনবা গুইগাইলোংদা নৌনা শাবা কম্ম্যুনিটি হোল অমা শঙ্গারদুনা এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষননা হায়খি, লমদম অসিগী মেজর কম্ম্যুনিটি ওইরিবা অসি মৈতৈশিংনি। ষ্টেট অসিগী সী এমসু মৈতৈনি, এম পি মশামকসু মৈতৈনি। মীয়ামগী লুচিংবা অমনি হায়দুনা মহাক্কী কম্ম্যুনিটি ওনশিন্দুনা মৈতৈশিংবু হুল্ল-হুল্লগা ঙাংলিবা অসি মহাক্কী পোলিটিকেল পার্টি অদুনা শেংদোকহন্নিংই। এম পি অসিনা মৈতৈদি মাঙ্গোলদগী হেন্দোক্তবা কাঙবুনি, বজার মনুংদা মৈতৈলোলদা চা পীয়ু হায়বদা পীরক্লোই হায়না ফোঙদোক্লিবশিং অসিগী ৱাহন্থোক করিনো। মৈতৈগী মী উশিংতবা অসি হেক তোক্ত্রিবা ফাওবা য়ারোই হায়রিবা অসিনা মহাক মশামক মৈতৈ অমা ওইনা মী উশিংতে হায়রিব্রা, মী উশিংত্রিবা অসি মশামক ওইবীরব্রা। কোভিদগী চৈথেংনা ৱানরবা মতম অসিদা ফুরুপ অমবু পল্লগা চৈবা অসি তৌহন্নিংদে। মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইরগদি অসিগুম্বা ৱাফম অসি ফোঙদোকপীগনু। এম পি অসিনা ফুরুপ অমবু হুল্লগা ঙাংবা অসি মহাক্কী পার্টিনা অয়াবা পীব্রা।

মহাক্না মখা তানা হায়, নুপীলাল নুমীৎ অসিদা লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক্তা থৱায় কৎখ্রবা ইমাশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। হৌজিকসু অহিং-নুংথিল তুম্বা চাবা খঙদনা হৌরক্লিবা মীরোলগী য়াইফনবগীদমক থৌদাং লৌরিবা ইমাশিংবুসু ঈকায় খুম্নবা উৎলি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি অচৌবা ইস্যু অমা ওইরি। মরম অদুনা লায়না-লাইচৎ অসিগী মতাংদা ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লৈবগী মহুৎ ইশা-ইশানা লৌফম থোকপা থৌদাং অদু লৌদুনা লাইচৎ অসিবু পুন্না থেংনমিন্নসি। ডোক্তর, নর্স অমদি অতৈ হেল্থ ৱর্করশিংনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংনবদা ফ্রন্টলাইনদা লৈদুনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংনসু হেন্না কথোকপগা লোয়ননা লায়না অসিনা নারবা মীওইশিংবু লায়েংননবা হোৎনবীয়ু। ষ্টেট লৈঙাক্নসু নন-কোভিদ পেসেন্টশিংগী অনা-লায়েংগী থবক করম্না চথরিবগে হায়বদু য়েংশিনবীয়ু। কোভিদ লাইচৎ থেংননবা হোৎনবদা আই সী য়ু বেদকী অৱাৎপা কয়া লৈরি। মরম অসিনা লৈঙাক্নসু অথুবা মতমদা আই সী য়ুগী বেদ মশীং হেনগৎহন্ননবা থবক পায়খৎহন্নিংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কম্ম্যুনিটি হোল শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা গুইগাইলোং খুনগী ভিলেজ চ্যেরমেন গাইনিংপৌ রোংমৈ অমদি ভিলেজ অসিগী খুন অসিগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## মণিপুরদা অহানবা ওইনা হেপ্পি সীদর শীজিন্নদুনা ...

*লামায় ১গী মখা...* অমদি মসিগী ময়াদা লৈবশিংদি হেপ্পি সীদর পানবা য়াই। হেপ্পি সীদরগী চেম্বর অমদনা গেহু হাপ্লগা চেম্বর অমদনা দি এ পি (দাইমন) অসি হাপ্লগা লৌখোয়দনা লৈবাক লিক্লম অমদা দাইমন অমদি গেহুনচিংবা পরম নাইনা গেহু হুনবনি। লৈবাক খোয়দনা গেহু হুল্লবদি হান্না লৈবাক্তা লৈজরম্বা ঈশিংগী শরুক অদু শীজিন্নবা ঙমগদৌরিবনি। মসিনা গেহু ঙন্না থারগা থা মরিগী মনুংদা লোকপসু ঙমহনগদৌরিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐখোয়না লৌ লোকখ্রবা মতুংদা গেহু থাগনি হায়দুনা অদুম লৈবা তারগদি লৌবুক্তা লৈবা ঈশিং অদু অমুক কংবা ঙাইবা তাই। লোয়ননা লৈবাক খরা কল্লবা কানদা ট্রেক্টর চঙবা য়াগদ্রা হায়বদুসু অমুক ঙাইগদৌরিবনি। খোয়রবা লৈবাক অদু অমুক কংহল্লগা গেহু থাবা অসিনা শেল চঙবগী চাং হেলহল্লি। মদু ওইরগদি তোংবগী চাংসু হন্থরক্কদৌরিবনি। হেপ্পি সীদর অসি শীজিন্নরগদি লমদম অসিদা গেহু নীংথিনা পুথোকপা ঙম্লগনি। গেহু থারিবা লৌফম অদুদা নাপী হৌবসু হন্থহল্লে। হেপ্পি সীদরগী পঙখানা অমুক চরুখোকশিং কল্লবা মতুংদা গেহু থারিবা মফম অদুগী মথক্তা খুমজিল্লন্বনি। গেহু পান্বী অদু ফিট অমা ৱাংলকপা মতমদা স্প্রেনা অমুক ঈশিং চাইগদৌরিবনি। গেহু শাৎলমদাইগী মতমদা অমুক্কসু ঈশিং পীগনি। গেহু থারিবা লৌফম অদু মতুংদা খোংদ্রুম, মাইরেন, তোরবোৎ অমদি কারোৎনচিংবা অদুম পুথোকপা য়াই।

লৌফম অদুদা খোংদ্রুম, মাইরেন থাবগী লৈহৌরিবা মনা-মরীশিং অদু অমুক খোয়দোক্লগা ফৌ অমুক থাবদা ফৌগী পোথোক হেনগৎহল্লি। মসিনা শেন্থোক লম্বী হেনগৎহনবদসু মতেং ওইগনি। লৌ সঙম অমদা গেহু কেজি ১২দগী ২০ ফাওবা হুল্লি। মসিনা ঈশিং চঙবগী চাং হন্থহল্লি। হেপ্পি সীদর শীজিন্নদুনা গেহু থারিবা অসি মণিপুরদদি অহানবা ট্রাইয়েলনি। পঞ্জাব অমদি হরিয়ানানচিংবদদি হান্না তৌখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## এম এম দব্লিয়ু ওগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর মুসলিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) গী কুমজা ২০২১-২২গী নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং খনখ্রে হায়রি। নৌনা থৌ পুগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্ট এস কেৱাজিৎ শাহ, ভাইস প্রসিদেন্টদা এম এ চেসাবা, এম দি বোবোয়, এম দি অমিনুদিন, সেক্রেটরি জেনরেল এম দি ৱাদিয়া, জোইন্ট সেক্রেটরি অদিল অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংসু খনখি হায়রি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL,**
**D.M. COLLEGE OF TEACHER EDUCATION,**
**IMPHAL**

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / ADMISSION NOTICE FOR B.ED. COURSE**

Imphal, the 4th December, 2020

No.301/4/09-TE. Applications are invited from amongst the eligible candidates for admission to the two year B.ED. Course for the session, 2020-2022. The details can be had from the college website : www.dmcte.ac.in

Sd/- **Dr. R.K. Lokendra Singh**
Principal,
D.M. College of Teacher Education,
Imphal

HL-P/8246/13

# আর দি এন্দ পি আর লোইশঙদা রিকগনাইজ তৌদবা...

*লামায় ১গী মখা...* হোৎনবগী থিদোকপদা মতম খরা চঙগনি হায়রকপদগী ঙাইরগা হঞ্জিন-হঞ্জিন অনীরক উন্নখি।

অদুবু চোঙথোরকখিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমগী খোঙ্গুল লীদুনা থিরুবসিদা ৱাহংশিং অসিগা মরী লৈনবা ৱাকৎ (কমপ্লেন্ট) অমা ফাইল তৌরক্লবগী অপাম্বা ওইনা ফোঙদোরকখি। কমপ্লেন্ট অমা লোদজ তৌরক্লবা নৎত্রগা মীদিয়াদা রিপোর্ট তৌরক্লবদি ৱাহংসিগী মতাংদা ইনক্বারি অমা চথরগা মসিগী পাউখুমশিং পীননবা হোৎনগে হায়রকখি। লোইশঙ অসিগী মকোক থোংবা থৌপুবশিং অসিদা মখোয়গী মখাদা হৌজিক ফাওবা থবক তৌরিবা এঞ্জিনিয়র অনীসিনা লৈঙাক্কী লোইশঙদা লিংশিল্লকখিবা মতমদা শীজিন্নরকখিবা প্রোফেসনেল (এঞ্জিনিয়ারিং) সর্টিফিকেটশিং অদু হৌজিক্তি মূখৎখিবদগী লৈত্রবা অমসুং এ আই সী টি ঈনসু রিকগনাইজ তৌখিদবা 'হিন্দুষ্টান ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি' (মাদ্রাজ) দগী লৌরকপা য়াওই। মখোয়গী মমিং-মথা অমসুং পোষ্টনচিংবনা দি আর দি এগী ষ্টাফ ২৪৯ এবজোর্বসন তৌরগা রেগুলরাইজেসন পীখিবগী ওর্দর অদুগী সিরিএল নম্বর অসুক অসুকশুবদা য়াওরবনি হায়দুনা পুথোক্তুনা য়েংহল্লবা ফাউবদা মকোক থোংবা ওফিসল অহুমসিগী চিনখুমশিং চপ মান্নখি। কমপ্লেন্ট নৎত্রগা রিপোর্ট লাক্লবদি থিদোক্তুনা য়েংশিঞ্জগে হায়বদগী মচি লেংঙকখিদে, খোঙফম হোংলকখিদে।

ফীভমসিদদি মকোক থোংবা ওফিসলশিং অসিদা ৱাহংসিগী পাউখুমশিং লৈনা-লৈনা ঙানা মশোং উনা-উনা লৈবগুম লৈরব্রা হায়বগী অনৌবা ৱাহং অমমুক চোঙথোরকই। অদুগদি হায়রিবা এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র অমসুং এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র অনীসিসু হৌজিক লোইশঙসিগী ওইনা এঞ্জিনিয়রশিং প্রমোসন পীরকপদা য়াওহনগদ্রা হংখিবদদি প্রমোসন পীনবগী থৌরাং লৈত্রি হায়নদি পাউখুল্লকখি।

পাউচে অসিগী ইনভেষ্টিগেসন্দগী ফংলকপা রিপোর্টনা মখা তানা হায়বদদি ৱাথোক ওইরক্কদৌরিবা এঞ্জিনিয়র অনীসিগী সর্টিফিকেটশিং অদু য়াওবা ফাইল অদু হৌজিক লোইশঙ অসিগী লৈফম থোকপা মফমদগী মরী-মখোঙ হায়দোক্ল দবদগী খোঙ্গুল লৈহৌদনা মফম খঙখিদ্রে হায়রি।



SHORT FILM COMPETITION ON HIV/AIDS
#KnowledgeIsBliss
For students of colleges & universities
LAST DATE OF FILM SUBMISSION 31st DECEMBER, 2020
PRIZES
1st - Rs. 50,000/-
2nd - Rs. 30,000/-
3rd - Rs. 20,000/-
For details call us at 7005131537/9612474214 or visit our website: www.manipursacs.nic.in
Follow @manipuraids
organised by:
Manipur State AIDS Control Society
MACS
AIDS Helpline 1097
To know more about HIV, call national toll free Helpline: 1097
NACO